ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯹, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ১৯, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩ শুবা চহী, ০২২শুবা মশীং

জেট এয়রৱেজগী সর্ভিস লেপখিবা

টিকেট ককখ্রবা পেসেঞ্জরশিংগী শেল হন্দোকফম থোকই

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম খরা য়াওনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা এয়রপোর্ট খূদিংমক্তা ফ্লাইট সর্ভিস তৌরম্বা জেট এয়রৱেজ মথৌ লেপখ্রে। শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরক্তুনা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ ফাওবা পীবা ঙম্লক্তবদগী য়ুমশকৈশা নুমীৎতা জেট এয়রৱেজনা মতম খরগী ওইনা ফ্লাইট সর্ভিস পূম্নমক লেপ্পবা ফিরেপ লৌখিবনি। মতম খরগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা এয়রলাইন কেরিয়র ওইরম্বা জেট এয়রৱেজদা হৌজিক ওইল কম্পেনি, সপ্লায়র অমসুং পাইলোটশিংগী অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৮,০০০ লোম তোল্লি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা সর্ভিস তৌরম্বদগী তপ্না-তপ্না ফীভম শোকচিল্লক্তুনা মতম খরা শুপ্পগী ফ্লাইট ৩৫ রোমতমক সর্ভিস তৌরম্বা জেট এয়রৱেজগী লাইসেন্স ককখিবা য়ানা লৈরে। য়ুমশকৈশা নুমীৎকী অয়ূক ফাওবদা প্লেন তরুক সর্ভিস তৌরম্বা জেট এয়রৱেজনা নুংথিলদা মতম খরগী ওইনা ফ্লাইট পূম্নমক সর্ভিস তৌবা লেপ্পবগী ফিরেপ লৌখি। শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরবা এয়রলাইন কম্পেনি অসিনা খূদক্কী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা ইন্টরিম লোন পীবীয়ু হায়জরুবদা কনামত্তনা অয়াবা পীরকখিদে। কম্পেনি অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর বিনয় দুবেনা লুপা ক্রোর ৮০০ লোন পীবীয়ু হায়জরুবদা বেঙ্ক অমত্তনা অয়াবা পীরকখিদবনি। মতম অমদা প্লেন ১২৪ না তোঙান-তোঙানবা মফমদা সর্ভিস তৌদুনা লৈবাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা সর্ভিস প্রোভাইদর ওইরম্বা কম্পেনি অসি কুমজা ১৯৯৩ দা এয়র টেক্সি ওপরেটর ওইনা হৌদোরকখিবনি। কুমজা ২০০০ গী পরিংদা এয়র সহারা, কিংফিশর এয়রলাইন্স, ইন্দিগো অমসুং স্পাইসজেটনচিংবা কম্পিটিটর কয়া থোরকখি। কুমজা ২০০৭ তা জেট এয়রৱেজনা লুপা ক্রোর ২,০৫০ দা এয়র সহারা লৈরুবদগী মতম খরা লৈরগা খূদোংচাদবা মায়োক্নরকপা হৌখি। কুমজা ২০১৩ দা কম্পনি অসিগী শ্যের চাদা ২৫ দোলর মিলিয়ন ৩৭৯ দা য়োন্থোকখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা হৌখিবা মার্চথাদা ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীবা ঙম্লক্তবগা লোয়ননা প্লেন ১০০ হেন্না সর্ভিস তৌবা লেপখি।

কুমজা ১৯৯৩গী মে ৫ দা এয়র টেক্সি ওপরেটর ওইনা খ্বাইদগী ইহান হান্না সর্ভিস তৌবা হৌখিবা জেট এয়রৱেজনা অহানবদা বোম্বেদগী অহমেদবাদ ফাওবা সর্ভিস তৌখি। অহানবা চহীদা এন্সেট ৱর্ল্ডৱাইদতগী লীজদা বোইং ৭৩৭-৩০০ এয়রক্রাফ্ট মরি ৱায়রগা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম ১২ দা সর্ভিস তৌখি। ওল্লকপা চহীদা লৈবাক্কী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা প্রাইভেট এয়রলাইন ওইরক্তুনা পেসেঞ্জর লাখ ১৭ তোঙান-তোঙানবা মফমদা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌখি। অকোনবদা মলেসিয়ন এয়রলাইন্সতগী বোইং ৭৩৭-৪০০ এয়রক্রাফ্ট অহুম লীজদা ৱায়দুনা জেট এয়রৱেজগী প্লেন তরেৎ শুরকখি। কুমজা ১৯৯৫ গী জন্যুৱারী ১৪ দা সেদ্যুল এয়রলাইনগী ষ্টেটস ফংদুনা কে এল এমগা মার্কেটিং এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখি। ওল্লকপা চহীদা দোলর মিলিয়ন ৩৭৫ চঙনা বোইং ৭৩৭-৪০০ মরি অমসুং বোইং ৭৩৭-৮০০ এয়রক্রাফ্ট তরুক লৈদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা হায়রিবা প্লেন মখল অসি লৈবা খ্বাইদগী অহানবা এয়রলাইন কম্পেনি ওইখি। কুমজা ১৯৯৬-৯৭ তা জেট এয়রৱেজগী বোইং ৭৩৭ এয়রক্রাফ্ট ১২ শুরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম ২৩ দা নুমীৎ খূদিংগী ফ্লাইট ৮৩ সর্ভিস তৌবা হৌখি। কুমজা ২০০১গী এপ্রিলদদি এয়রক্রাফ্ট ৩০ শুরক্তুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম ৩৭ তা নুমীৎ খূদিংগী ফ্লাইট ১৯৫ সর্ভিস তৌবা হৌখি। শেনবা চহী ২০০১-২০০২ দা ইহান হানবা ওইনা এয়রলাইন কম্পেনি অসি শেল মাঙবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা কম্পেনি অসি শেল চাউনা মাঙথরকপদগী তোঙান-তোঙানবা ইনভেষ্টরশিংগা ৱারী শানবা হৌখি। হৌখিবা মার্চ থা ফাওবদা কম্পেনি অসিগী অপূনবা প্লেন শরুক মরি থোকপগী শরুক অমা সর্ভিস তৌবা লেপখিবগা লোয়ননা কম্পেনিগী চ্যেরমেন নরেশ গোয়ল অমসুং মহাক্কী লোয়নবী অনিতা ফম থাদোকাপ তাখি। শেন্দোলনা খ্বাঙ কোয়রবা জেট এয়রৱেজগী ফ্লাইট মথং-মথং সর্ভিস তৌবা লেপখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস (পি এম ও)না এপ্রিল ১২ দা মীফম অমা কৌদুনা খন্ন-নৈনখি। শেল মাঙবগী চাং হেনগৎলকপা অমদি ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীবা ফাওবা ঙম্লক্তবদগী কাইনথংদা জেট এয়রৱেজগী ফ্লাইট সর্ভিস পূম্নমক মতম খরা লেপ্পবা ফিরেপ লৌরকপনি হায়বা খঙলকখি। হৌজিক খন্নগদৌরিবা ৱাফমদি এমষ্টর্দম অমসুং দুবাইনচিংবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা চৎনবগী মাঙজৌননা টিকেট বূক তৌখ্রবা মীওইশিংগী শেল মাঙলগদ্রা হায়বসিনি। মরী লৈনবশিংনা হীরম অসিগী মতাংদসু খন্নবীবা চুম্মী।

••• *এদিটরদা থারকপা চিঠি* •••

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক নুমিৎ থিবা

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

ৱারেং অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী এপ্রিল ২৩দা হাপচখ্রে। অদুবু কোন্না, অৱাৎপা খরা য়াওখিবদগী অমুক্কা হন্না শেংদোকচবনি। ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মপোক ময়ি চৈথারোল কুম্বাবদা চনবীরমদ্রে, মসিনা মরম ওইদুনা অখঙ-অহৈশিংনা মপোক ময়ি ওইবা য়াবনি থাজদুনা কুমজা ১৭২৯, ১৭৪০, ১৭৪৮ নচিংবদা পোকখি হায়বা পাউচেশিংদা থেংনজরে। অদুবু মপোক ময়ি থিবগী লংলা-লংজিন্দি চৈথারোল কুম্বাবনি। য়েংসি :- কুমজা ১৭০৯গী ওগষ্ট ৩০দা গরিবনিৱাজনা নিংথৌ ওইরে। অদুগা কুমজা ১৭১১গী ওগষ্ট ৩০দা মচা অহল (স্যাম সাই) থানিল, ইরাইদা পোক্লে। কুমজা ১৭৩১গী দিসেম্বর ২ ইরাইদা হাওবমচা পুখ্রম্বগী মচানুপীগা সনাহল (স্যাম সাই) গা লুহোংএ। মরমসিনা কুমজা ১৭৩২দদি স্যাম সাইগী মচা অহল মরাম্বা (গৌরস্যাম) পোকপা য়াবসি নবেম্বর, দিসেম্বর নৎত্রগা কুমজা ১৭৩৩গী জুন ফাওবগী মনুংদা পোক্লম্বা য়ারে। অদুগা স্যাম সাইগী মচা য়াইমা কুমজা ১৭৩৪গী দিসেম্বর ৯, পোইনুগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপদদি চীংথংখোম্বা পোক্লে। পোইনুগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপদা অখঙ-অহৈশিংনা পুথোকপীরকপশিংদগী চান্নবা খনগৎপনি। অতৈ চহী অমসুং থবান চানদে। মথং কুমজা ১৭৫৩গী নবেম্বর ১৪দগী কুমজা ১৭৫৮গী নবেম্বর ১৬ ফাওবা মরাম্বা (গৌরস্যাম) না নিংথৌ ওইখি। নুমিৎসিদগী ঔৱানা নুমিৎ ৯ অদুগা চীংমীনা খূলিংএ।

কুমজা ১৭৫৯গী এপ্রিল ৭, শজিবুগী ৯নি পানবা শগোলশেলদা চীংথংখোম্বনা অখাম চনুগা ফম্বাল কারে। কুম অমগা থা ৮, নুমিৎ ২৩নি নিংথৌ ওইখি। মথং মরাম্বনা কুমজা ১৭৬১দগী নিংথৌ ওইরকপনা কুমজা ১৭৬৩গী সেপ্টেম্বর ৮দদি মরাম্বা নোঙ্গারে। চীংথংখোম্বনা অনীরকশুবা ওইনা নিংথৌ ওইরে। কুম ১, থা ৫, নুমিৎ ৭নি শুবদা ফম্বাল কুম্মে। অদুগা মোইরাং খেলেম্বনা কুমজা ১৭৬৫দগী ১৭৬৮, চহী ৩, নুমিৎ ৫নি নিংথৌ ওইখি। চীংথংখোম্বনা অহুম্লকশুবা ওইনা কুমজা ১৭৬৮গী ফেব্রুৱারী ২২, লমতাগী ৪নি পানবা থাংজদগী নিংথৌ ওইরকপনা কুম ৩০, থা ৭, নুমিৎ ২২নি নিংথৌ ওইরগা কুমজা ১৭৯৮গী ওক্টোবর ১৪নি পানবা ইরাই নুমিত্তা নোঙ্গারে। পূন্না নিংথৌ ওইখিবা কুম ৩৩, থা ৯, নুমিৎ ২২নি । পুন্সিদি কুম ৬৩, থা ১০, নুমিৎ ৫ ওইখি হায়বা ৱাফমসিনি শেংদোকচরিবা।

অদোমগী - থোংঙাম নব নুপা,
হাওবম মরক কাংজম লৈকায়

এম পি ইলেক্সন্দা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া অমদি সোসল মিদিয়ানা পীবা ঈৱায়-ঈনিল

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সন হায়বদি এম পি ইলেক্সনসিদি য়াম্না ঈৱায়-ঈনিল লৈবা মীখল অমনি। হৌখিবা এম পি ইলেক্সনশিংদগী হন্দক্কী মীখল অসিনা খরা তোঙাল্লি। এম পি ইলেক্সনবু দিল্লিদা চৎখিদৌববু হায়দুনা থৱায় য়াওবগী চাং য়াম্না হন্থখি। মীয়াম্না হৌখিবা মীখলশিংদা খন্নবসি কান্নদে মতম, শেল, থবক শিৎনবনি, দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্টকী ভোটতা য়াওরুরগা করি তৌনদোইনো হায়বসিনি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিমদি মদু নৎত্রে দিল্লিদা চৎকদবা এম পি অমগী মরু ওইবদু খঙনবগুম তৌনরে। মীয়াম য়াম্না থৱায় য়াওনা অফবা মীহুৎ খন্ননবা খন্ন-নৈনবা উবা ফংলে। শম্না মীখল অসি শোয়বা য়াদবা অমনি হায়না লৌনরে। মসিদা মণিপুরগী ওইবা মাংদা তাদুনা লৈরবা ৱাফম কয়া পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা লাউবা মরু ওইরি হায়বসি খঙনরক্লে। রুলিং পার্টিদগী এম পি থাবা, নেসনল পার্টিদগী এম পি থাবা, রিজনেল পার্টিদগী থাবনা দিল্লিদা মণিপুরগী ৱাফম কয়া পুখৎপা য়াম্না লায়না ঙমগনি হায়বনচিংবা মীয়াম্না কন্না ঙাঙনরকপসিনা তাকপদি মমাঙথক্তা কয়া মরু ওইনা লৌনরমদ্রবা এম পি ইলেক্সন অসি মরু ওইরে হায়বদু উৎলে। মীখল অসিদা মীয়াম্না ভোট থাদবগী চাং য়াম্না ৱাংলকপসু উবা ফংলে। অমরোমদা অওনবা অসি অফবা অমনি হায়বা য়াই লৈঙাক্লোনগী মীৎয়েংদা য়েংবা তারবদি।

অওনবসিদি য়াম্না য়ামখ্রে। লৈকায়-লৈকায়দা মীটিং য়াম্না তৌনদ্রে, চাকচা-হৈজানবগী চাং হন্থরে অমদি ভোট থাদবিয়ু হায়দুনা লাউরগা ভোট খোম্বগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে। মাইক পান্দুনা খূবাক চাংজৌ তরা লোন্নদুনা ভোটকী ভিক্ষা নিবা, নুংশিবীয়ু, চানবীয়ু হায়বগী তেথবা খোঞ্জেলনা অমদি ঙসিগী ইন্টরনেটকী মতম অসিদদি চানদ্রবা হায়বদু ওইরমাল্লে। মল্লে হায়বা ওইরমাল্লে ফুঙ্গা ৱারীগী মচাক অমা ওইনা উনরবা হায়বদু ওইরবজাৎনি। ঙসিগী মীরোলসিনা মদু পামসু পান্নরোই। অদুগা তাবসু তানীংলরোই। ঙসিদি দিজিটেলগী খম থেংনা চাওখৎলবা মতম হায়বদু ওইরে। পুন্সি অসি দিজিটেল য়াওদ্রবদি হিংবা য়াদ্রে। মীওইবনা পোকপদসু দিজিটেলগী মতেং য়াওদবা য়াদবগুম তৌরে। লৈকায়-লৈকায়দা মীটিং তৌদুনা ভোট খোম্বগী থবক হন্থরকপগী মরম অমা হায়বা তারবদি দিজিটেলগী লমদা খুমাং য়াম্না চাওখৎলকপদগীনি। হায়নীংবা, ফোঙদোক্লিংবা ৱা কয়া দিজিটেল ফোর্মেটতা হাপচিল্লগা সোসল মিদিয়াদা থাদোরকপা মতমদা মীয়াম্না য়াম্না লায়না মশাগী মখূৎতা পায়নরিবা মোবাইল ফোন্দা য়েংবসু য়ারে, উবসু ফংলে, তাবসু ঙল্লে। অদুগা মশাগী ওইবা পাম্বা নৎত্রগা পামদবগী পূক্লিং ৱাখল ফোঙদোকপসু লায়না ঙল্লে। মীরেপ অদুনা মীয়ামগীদমক তৌগে খঞ্জরিবা থবক কয়া মীটিংদা ফোঙদোকপগী মহুত্তা সোসল মিদিয়াদা ফোঙদোকপা ঙল্লে। মীয়াম্নসু মীরেপ অদু করম্বা মীনো হায়বদু লায়না খঙবা ঙল্লে। অদুনা লৈকায়-লৈকায়দা মীটিং তৌদুনা মতম, শেল মাঙহনবগী মথৌ তানরক্তবনি। অদুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা সোসল মিদিয়াগী অচৌবা থৌদাং অমা লৈরে। সোসল মিদিয়ানা লোয়নমক য়ারে হায়বদি নত্তে অদুবু হোংলক্লিবা মওং অদুনি ফোঙদোক্লিবসি।

মতম অমদা প্রিন্ট মিদিয়ানা মীখলগী মতমদা মীয়ামদা অচৌবা ঈথিল অমা পীদুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী কয়াদা প্রিন্ট মিদিয়ানা লৌখিবা থৌদাং অদু য়াম্না মমল য়ামখ্রবজাৎনি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াগী মরু ওইবদু হেনগৎলকপগুম তৌরি। হন্দক্তি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়ানা লৌরিবা থৌদাং অসিদি য়াম্না য়ামখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা শন্দোরকপসিদা ভোট থাদগদৌরিবা মীয়ামদা অচৌবা মীৎ, নাকোং হায়বদু ওইরে। মীরেপ কয়ানা মশানা মীয়ামগীদমক তৌগদবা থবক কয়া খন্ন-নৈনরি। মীরেপ মশেল ফম্মিন্নদুনা অওক-অথোম তৌনদুনা খন্ন-নৈনরি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা লম্ কয়াদা খঙ-হৈরবা এক্সপার্ট কয়া য়াওনা। মদু ভোট থাদগদবা নহা-অহল য়াওনা মীয়াম হুপ্পা উবা ফংলে। মদুদা মীরেপশিং অদুগী হৈ-শিংবা এম পি অমা ওইনা মীরেপ ওইবদা মতিক চারবরা নৎত্রগা মীখলদা মায় পাক্তুনা দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট য়ৌরবা মতুংদা মীয়ামগী ওইবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা ৱা ঙাঙবা ঙমগদৌরিবরা হায়বদু লায়না খঙবা ঙম্মী। মীরেপ মশাদুনদি মশাদু এম পি ওইবদা মতিক চারে, মীয়াম্না পাম্নরনি খল্লগা মীখল থেংনরিবনি। অদুবু মীয়াম্না করম্না উরিবা মীরেপ অদুবু? ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা খন্ন-নৈনবদা উবা ফংলিবদি মীরেপ অদুগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ, খুফোঙদোক্কী মওং, ঈশিং অচৌবগী লমদা মীয়াম থেংনবা ঙমগদবা মী, মবুকচেল শেংগদবা, শেংলোইদবা, পার্লিয়ামেন্টতা রুলিং অমদি ওপোজিসনগী মেম্বরশিংবু মাগী ৱাঙাঙনা থাজহনবা, হাওসকী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমগদবা মীরেপ্পা হায়বদু মীয়াম্না লায়না উবা ফংই। মীরেপ মশেল মরৈ তৌনরকপদা কনানা লান্থেংনবা ঙম্বগে হায়বদুসু উবা ফংহল্লি। মদু প্রিন্ট মিদিয়াদদি উবা ফংবা নত্তে। মসি হায় হায়দুনা প্রিন্ট মিদিয়াগী মগুন হন্থরে হায়বদুদি হায়রুবা য়াবা নত্তে। অদুনা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া লাকপদগী ভোট্টরশিংনা মীটিং য়াওবা চৎনীংদবগী ৱাখল অমা পোক্নরে। ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া অমদি সোসল মিদিয়া অনীসিনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা মীরেপ অমদি ভোট্টর অনীগী মরী অসি নকশিন্নহনবদা মাঙজিল থাবা থবক অমা তৌরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়নীংই।

ভোট্টরশিংসু হন্দক্তি পোলিটিকেল এনালিষ্ট, সোসল এনালিষ্ট, ক্রিটিক য়াম্না ওইবগী চাং ৱাংখৎলে হায়বা য়াই। য়েংবিয়ু সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী মতাংদা মীয়াম্না মীপায়নরিবা কয়া, থোয়দোক্না মীপাইনীংঙাই ওইদবা কয়া, ভোট ফংনবা হায়নবনি, অতোপ্পা পার্টিনা খুদোংচাবা ফংখিগদৌরে খনবদগী মীয়ামদা মীপাইবা য়াবা ৱা কয়া হায়বনি হায়বনচিংবা কয়া ভোটরশিংসু কূপ্না নৈনরি। শম্না সী এ বিনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং পুংমুৎ-মুখৎলনি হায়বসিদা মণিপুর মীয়াম তঙ্খায় অমা থাজবা অদুগা তঙ্খায় অমনা থাজদবা হায়বগী ফীভম অদু ওইরি। মীখল ময়ানিদনা ভোট্টরশিংসু তরেৎ-তরা থোক্না নৈনরিবনি। মণিপুরদা ময়াংশিংদু লোইনমক লাক্কদৌরিব্রা, অতৈ ষ্টেটতদি চৎলোইদবজাৎলা হায়বসিসু ভোট্টরশিংনা মীখল মতমসিদা নৈনদবা নত্তে। অদুবু ফোঙনদি নৈনদ্রে করিনা হায়ববু লমদমসিদদি মোব জষ্টিসকী চৎনবী অমা লৈবনিনা। অতৈ চাওখৎ থৌরাংগী ৱাবু ইয়াও-য়াওদ্রে সী এ বিনা য়েলহৌমী মুখৎকদৌরে, সী এ বি মথৎকদবনি হায়বসিদা পার্টি খুদিংমক্না ভোট ফংনবা থেংনদুনা লৈনরে। প্রাইম মিনিষ্টরনদি অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংদা শোকহন্দনবগী ৱা হায়বদুদি মীখলগী ৱা ওইনা ঙাঙনদ্রে। মদুগী মতাংদুমা তুমিন্না লৈশিনখ্রে। মসিসু মীখলগী খূৎলায় অমনি। হন্দক্কী মীখলসিদা উবা ফংবা অমনা কম্যুনেল ওইনা ভোট খোম্বা অসিনি। হিন্দুগী লৈবাক শেম্নবা মুসলিম মুখৎনবা হোৎনরে হায়না ভোট ফংনবা হোৎনরকপসিসু অওনবা অমনি। অদুবু মীয়াম্নদি কাউদ্রি বেঙ্গলি হায় স্কুল, তোন্দোনম্না হায়স্কুল মুখৎলগা হিন্দুদা য়ূম্ফম ওইবা রাম কৃষ্ণ মিসন স্কুল লীংখৎলম্মী হায়বদু। অমরোমদা হিন্দু মুসলিম অনীনা করি ফীভমদা লৈরি অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা করম্বা ফীভমদা মখোয়গী পুন্সি মহিং থম্বীরি হায়বসিমসু মীখল ময়াসিদা ভোট্টরশিংনা নৈনদবা নত্তে। অমনা অমুক রিজনেল পার্টিশিংগী ঈহৌ অমমুক কনখৎলকপা উবা ফংলকপা অসিনি। মণিপুরদা রিজনেল পার্টিগী মফম অমা ফংবা ঙমগদ্রা নৎত্রগা ঙম্লোইদ্রা হায়বগী ৱাখল ভোটরশিংনা নৈনদবদি নত্তে। উরিষাদা, টামিল নাদুদা, অন্ধ্র প্রদেশতা, মীজোরাম, নাগালেন্দদা রিজনেল পার্টিগী লৈঙাক লৈ। অদুবু মণিপুরগী ভোট্টর/মীয়াম্নদি থাজবরা? মসিমক মণিপুরদা লৈরিবা রিজনেল পার্টিশিংনদি থাজবা ঙম্বরা নৎত্রগা করি? ভোট্টর/মীয়াম খরনদি খঙই করি থৌশিল/থৌরাং পায়খৎলবদি মণিপুরদসু টামিল নাদু, উরিষা, অন্ধ্র প্রদেশকুম্না রিজনেল পার্টিনা মখোয়গী পুন্সি মহিংদা অওনবা পুরকপা ঙমগনি হায়বদু। অদুবু রিজনেল পার্টিশিংনা খল্লিবা ৱাখলদুগা ভোট্টরশিংনা খল্লিবা ৱাখলদুগা চানরবরা?

চহী কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়াদা চৎনদুনা নৎত্রগা তৌদুনা লাক্লবা থবক অমা হায়বা তারবদি করিগুম্বা ফত্তবা থবক/ক্রাইম অমা তৌবদগী চৈরাক ফংবা য়াই হায়না থাজরবা মীওইশিংনা মদুদগী খরা লৈথোক্লবা পোলিটিক্সতা চঙউ হায়বসিনি। মীয়াম্না/ভোট্টরশিংনা ষ্টেট অয়াম্বদা থবক অসি তৌনবা উরে, তানরে। মীওই কয়া চৈরাক ফংগদবদগী থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা মতম থেংথবা, চহী কয়া থেংথবা, মরাল লৈতবা মীওইগুম লেম্না চৎতুনা লৈবা উবা ফংনরে। পোলিটিক্সতা চঙদুনা মীখল থেংনদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরবা মীওই অমদা শক-মায় য়েংনদুনা মতম চানা পীগদবা/ফংগদবা চৈরাক্তু পীবা ঙমদনা মতম থেংথবা মীয়াম্না উনরে/তানরে। মরম অদুনা দেমোক্রেসি চৎলিবা লৈবাক অসিদা থৌওং অসিগী মফম অমা হায়বদি লেমজরবা ফিদা অমা ফংবগুম নীংনরে। মসি হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সন অসিদসু লমদম অসিদা উবা ফংলবরা? ⏮

ভোট লোইখ্রবনিনা ঙসিদি নৈননিংবা হিরমদা নৈনরসি

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

চাংদম্নিংঙাই লৈতবা মওংদা, অসুক্কী মতিক ৱাখলদা পোৎলুম অমগুম পুরম্বা, ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন, উচিন-নাচিন্না ঙরাং থাংথখ্রে। ঙরাং লোইশিনখিবা ইলেক্সনসিমদি তশেংনা, নহানমখৈ মণিপুরদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী অতৈ পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনশিংদগী খজিক্তংদা ওইরবসু, ঐখোয়গী মীয়ামসি ৱাখল তানরকপগুম তৌব্রা খল্লি। মদুমক্না তশেংনা মেচ্যুর ওইরবা ভোটর অমগী ৱাখল্লোন চেল্লে হায়বমক্তি নৎত্রি। হন্দক্কী ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনসিদা, মণিপুরগী মীচম-মীয়াম কয়ামরুম, পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগী ভেল্যু মশক খঙবা হৌনরকপগুম তৌই। হন্দক মীয়াম্না থৱায় য়াওনা ভোট থাদবা থোক্নরকপগী চাংসু হেঙ্গৎলি ঙাঙনরি। অদুগা হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা কেন্দিদেট অমদি কেন্দিদেটকী পার্টিগী মায়কৈদগীসু অসুক্কী মতিক থৱায় য়াওনা অমসুং চেকশিন্না হোৎনবগী চাংশিংসু ৱাংখৎখি। তৌইগুম্বসুং, হন্দক্কী ইলেক্সন ময়াদা কেন্দিদেটশিংগী পার্টিশিংনা অখাকপা লৈতনা হুন্ন-লাউনখিবা অমসুং অঙম্বী থাক্তা ওইদ-পাদবশিং শীজিন্নদুনা মুকশিন্নখিবশিং ময়ামদুগী হায়রবদি, ঐখোয়গী লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী ৱাখল্লোনসি করিনো হায়বসি তশেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ঐখোয়গী লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী ৱাখল্লোনগা চহী ৬/৭ শুরকপা অঙাংশিংগী ৱাখল্লোনশিংগা মান্নবশিং য়াম্না লৈ। হৌজিক হৌজিকসু ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট লোইখ্রবা মতুং ফাওবদসু হুন্নবা চৈনবগী ৱাখল্লোনশিং থাদোক্নবা ঙমদবা কয়ামরুম লৈনবা য়াওনরি। ভোট লোইখ্রবা মতুংদসু ৱাকাই শুবগী থৌদৌশিংনা লেপ্পৌ হায়বা য়াদবনা, ভোট হেক হায়দোক্লককপগা, অকাবগা কাদবগা কাঙলুপ নাইনদুনা ফুনবা, লাম্বা পানবগী থবককশিং লমদমসিদা তৎতনা চখ্খরি। অদুবু, য়ারিবমখৈ হৌজিক্তি ঐখোয়, কানিংবা মীনা কাজখ্রসনু, মরাইবক লৈবা অমনা লৈপাক্কী থৌগল তৌজখ্রসনু, ৱাহৈসিখক হায়বা নত্তনা অতৈদি হৌজিক থোইনা পাক ঙাঙনদ্রে। পোকমিন্নবা ইচিন-ইনাও ওইরবসু, শাগৈ-নাতৈ পুল্লবসু ভোটতবু হেক মান্নদ্রবদি, কান্নদে ঙন্তা ঙন্তা হেক্তা ঙাঙন-শানদবী, উনবদা মায় লৈথোক্নরগা থৈনদুনা চৎপগী থৌওংশিংদুমক ঙন্না চখ্খনহৌগদবনি।

মণিপুরগী ইলেক্সনসি হৌজিক্তি মহৌশাগী ইলেক্সনশিংগা খক মান্নদ্রে। ইলেক্সন পাঙথোক্লমদাইদা ঐখোয় ইশা-ইশাদা লৈখ্রিবা, ফাওখ্রিবা মিহুলশিং, ঐখোয় ইশা-ইশানা পামজবা ইশাগী কেন্দিদেটশিংবু ভোট কাহন্নবগীদমক চেন্নখিবা ৱাখল্লোনশিংদু অসুক্কী মতিক কল্লি। ৱাখল্লোনশিংসি মান্নদবনা, ইমুং অমখক্তগী মনুংদা পুন্না লৈমিন্নরিবা মচিন-মনাওশিং, মপা-মচাশিং অমসুং মচল-মচে ওইবশিংগী মরক্তা ফাওবা, তোখায় তোখায় তাহনবা য়াওরি। অমগা অমগা তোঙান্নদুনা তোখায়-তোখায়বা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ভোট তোঙান-তোঙান্না পীনরি। ফীভমসিদা মায়কৈ অনীমক্তুবু তাইশিন্নহনবা ঙমগদবা মালেমগী ফোর্স অমা ফাওবা ঙসি ফাওবদা ঐখোয়না থেংনবা লৈত্রি। মানা মানা নীংনখিবশিংদু খক্তুনা অরোইবনি লেপ্পরি। অসুম্না কল্লবা ইলেক্সনগী লীচিংশিংনা ইলেক্সন মতুং ফাওবদা কাউথোকপা ঙমদনা চিংহল্লকপনা ইলেক্সন মতুংদা হেক হেক নাচন মথীনা পাহোম্বগী থৌদৌশিং লমদমসিদা মশিং থীবা ঙমদনা থোক্নরি। ঙাইহাক লৈতনা নীংঙাই শঙদানবা অমদি লাউন-খোংনবদগী হেন্দোক্তুনা খৎন-চৈনবগী থৌদৌশিং ফাওবসু থোক্নবা লেপত্রি। অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি খঙহৌদনা হেক হেক থোক্নবগী রেকোর্দশিং মশিং য়ামখৎলকপনা, ঐখোয় ইশা-ইশাগী এরিয়াশিংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌফম থোকই। মরমসিদগী ইলেক্সন হেক লোইখিবা মতুংদগীদি ঐখোয় মশেনগী মরক্তা মতম খরদি তশেংনা পোলিটিক্সকী ৱাফমসি পন্ন-ঙাঙনা তৌনদনা লৈমিন্নবনা চুমগদ্রা খল্লি। তশেংনা ইলেক্সন মমাঙদা চৎনখিবা ময়ামদু অমদি ঙাঙনা শক্নখিবা কয়ামরুমদু নীংশিংদুনা ঐখোয় খুদিংমক, ফোঙ-ফোঙ শানা ফি শেম্নদুনতা লৈনরবদি ঐখোয় পুন্নমকসি অমত্তসু হিংবা ঙম্নররোই। পুন্নমকসি নীংশিংলুরগা শাউনিংবা পোক্লোইদবা, অনৌবা মওং অমদা ঐখোয়গী ৱাখলশিংসু ফাথনবা হোৎনবা তাবনি। পুন্নমকসু ফাথারগা খাঙনরিবা ঙাক্তনি। খুন্নাইসিগী চৎনবী অমসুং লৈপাকসিগী কাঙলোন কয়ামরুমবু করিসু লৈতবা ইলেক্সনগী থৌদৌ মচা খরখক্না মচোই মচোই তাহন্দুনা কায়হনবা খক চুপ্লোই। থৌদৌসিমক্না মণিপুরদা ঙসিসু তাইশিন্নবা ঙমহন্দনা চেকখায়হল্লবা মচিন-মনাও, মচল-মচে অমদি মবুং-মৌপ্পাশিং ওইবা কয়ামুক্কী মফমদা অকনবা খোল্লাউ অমদি তাহনবা ফৈ। ঐখোয় খোল্লাউদু ঙসিমক লাউমিন্ননবগীদমক শেম-শামিন্নবসু ফৈ।

ইরৈপাকসিদা পোলিটিক্সকী মখলশিং শুনা পুশিল্লকপা করিসু নত্তে। অদুবু খন্নগদৌরিবসি, ঐখোয়গী পীক্লবা ইরৈপাক মচাসিদা, ইন্দিয়াগী লৈমায় পুন্নমক শুনা তিংথোক্তুনা কূপ্লিবা, পোলিটিকেল পার্টি পুন্নমক্কী চন্নফমশিং লৈগদরা নৎত্রগা লৈরোইদরা হায়বসিনি। ঙাইহাক লৈতনা চোংদুনা শান্নরিবা লৌবুক্কী হঙোই মচাশিং, শবলদগী লাঙ্খোংদা, লাঙ্খোংদগী লৌখোঙদা, ঐখোয়না মখোয় খুদিংমক্তুগী চাকথাকশিং পীদুনা ইমরদমসিদা লোইনা কৌশিনদুনা খুন্দাহল্লুবগী কান্নবশিং ফংগদৌরিবরা? পোলিটিক্সতা ঙাইহাক লৈতনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোংথোক চোংশিন শান্নবদা হালেংবা লৈত্রবা মখোয়দুদগীসু অমুক হন্না তমজনফম ওইবা হিরমশিং ফংখিগদ্রা? য়ুমদাংবনা কৈ-নাইদুনতা লৈরবা পীক্লবা ইরৈবাক-ইরমদম মচাসিদসু, অনৌবা য়ুমদাংবশিংগী খোঙদাফম নৌহৌনা অমুকসু পীখিসিরা? ইরমদমসিগী য়েলহৌমীশিং ওইরিবা, মপু ঐখোয়না করিগীদমক মীরমদমগী মীতোপশিংনা ইরমদমসিদা উবীরবা লৌদগী থোক্লককপা ফৌ-চেংশিংদু ওইনা চানিংলিবনো? ঐখোয় ইশানা ইশাগী লৌবুক্তা লৌ উজনিংদবা অমসুং মীনা উবীবদগী ফংলকপা ফৌখক্তমক চানিংবা লৌপুশিং হায়বদু ময়েক শেংনা ওইরব্রা হায়বসি মুন্না খন্ননিংঙাই ওইরি। ঐখোয়গী হাকতক্তা ইরমদমসি করি ওইহল্লমগদৌরিবগে হায়বসিসু কুপ্না খন্থফম থোকই। ঙসাইমখৈ নৈনরিবা হিরমশিং অয়াম্বনা মণিপুরদা ইলেক্সননা লাকপদা হোংলক্লিবা মতমসিগী অহোংবশিং অমসুং মসিগী কান্নবশিং নৎত্রগা মাঙজবশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা পানবা, অমাঙ-অতোংশিংগী ওইবা শেম্বাদুনি। অদুবু, ফনা হায় শাদুনসু, অপীকপা লমদম মণিপুরগী চৎন-লোনচৎসিগা পাক চাউরবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎন-লোনচৎকদি মতম পুন্নমক্তা চাংদম্নবদা খক মান্নরোই অমসুং খেন্নবশিং কয়ামরুম শোয়দনা চোংথোক্লককপা উবা ফংগনি। পুন্নমকসি নৈনজবগী ৱানি। মণিপুরদা অরেপ্পা চৎনবী অমদি লেংদবা চৎন-কাঙলোন অমা ফাওবা ফিক্স তৌদুনা থম্বগী মওং থেংনদে। ঙাইহাক লৈতনা অরাকপা কাঙবুশিং খরনা থোঞ্জিন্নিংবা মমিংশিং থোঞ্জিল্লম্বদা অমসুং ওন্থোক্লিংবা লাইনিং লাইশোনশিং ওন্থোক্লম্বদা চহী কয়া লিশাং শিৎনা থোইনা য়েৎলুবা নৎত্রগা অথিংবা থন্নক্ত্রবা লৈপাক্লি, লমদমসি। হৌজিক্তনি লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনা মীৎকপ খরা খরা থোক্লক্লিবসি। মরমশিংসি লৈবনা হৌজিকমক্তি, নীংবা থুনা পুশিন্নিংবা পোলিটিক্স নৎত্রগা লাইনিং লাইশোন অমবু হেক্তমক ইরমদমসিদা পুশিন্নিংবা মীৎকুপতা পুনশিনবদা নুংঙাইতবশিং লৈগনি।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন ঙরাং লোইখিবদা ঙাইরিবনা, ঙসিদি কোকসি খজিক্তংদা ওইরবসু ফ্রি ওইবগুম তৌরি। মসিনা ওইরমগনি ঙসিদি ৱারেংসি মনিং তম্না খ্বাই-য়াইস্কুল থুংনা কোইচেন চেল্লিবসি। অদুবু, ওইনিংবা ওইদুনসু হায়নিংলিবদি, ঐখোয় হিরম খুদিংমক্তা কোমথোকপা হায়বসি খক তৌরগুমসি। ঐখোয়না কোমথোক্লিঙৈদা হিরম খুদিংমক্তা, লমদমসিদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোনশিং খুদিংমক ঙসিদি, অয়াম্বনা অচুম্বা কাঙলোনশিং হায়বদু অমত্তসু য়াওরমদ্রে। মণিপুরদা চৎনরিবা পোলিটিক্সকী মচৎসিবু, কাঙলোন মথোঙ খঙদ্রবা, চৎন-পথাপ নাইদ্রবা, তৌনিংবা মীনা কুশি-রাশি তৌদুনা চৎপদা অথিংবা অমত্তা লৈতবা মচৎ অমা ওইরম্লে। থৌদৌসিদা চখ্খবদা মণিপুর তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বা কনাসু ঙম্লোই। হিরমসিখক্তগী ৱাসু নত্তে, অতৈ হিরম কয়ামুক্তসুনি মণিপুরদা শোয়রিবশিংসি। ⏮

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।